## য়ুক্রেনগী ফাইটর মরাল লৈরম্লে

মিলান, জুলাই ১৩(এজেন্সি): কুমজা ২০১৪ দা প্রো-রসিয়ন ফোর্সশিং অমসুং য়ুক্রেনিয়ন ট্রুপশিংগী মরক্তা শোক্লখিবা লানগী পাউ লৌনবা হোৎনখিবা ইটালিয়ন ফোটোগ্রাফর অমা হাৎখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবগী য়ুক্রেনিয়ন নুপা অমা ইরাই নুমিত্তা ইটালিগী কোর্ট অমনা চহী ২৪ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে।

জর্নেলিষ্ট এন্দ্রি রোচেলি অমসুং মহাক্কী রসিয়ন কোলিগ এন্দ্রি মিরোনোভ মীওই অনী অসি চহী মঙাগী মমাংদা ইষ্টর্ন য়ুক্রেনগী স্লাভিয়ান টাউন মনাক্তা মোটার কাপশিল্লকপদগী শিখিবনি।

## দোলর মিলিয়ন ১০০ এপ্রুভ তৌখ্রে

ধাকা, জুলাই ১৩(এজেন্সি): বাংলাদেশগী ম্যুনিসিপালিটি ৩০ দা ৱাটর সপ্লাই অমসুং সেনিটেসন সিষ্টেম ফগৎহনবদা শীজিন্ননবা ৱর্ল্ড বেঙ্কনা দোলর মিলিয়ন ১০০ গী শেনফম অমা এপ্রুভ তৌখ্রে হায়না থাংজ নুমিত্তা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

# সোমালিয়াদা খুৎলায় পায়বশিংনা হোটেল ১দা লান্দাখ্রে, মীরৈবাক মচাশিং য়াওনা মীওই ২৬ শিখ্রে



মোগাদিসু, জুলাই ১৩ (এজেন্সি): সোমালিয়াগী খা থংবা হিথাংফম সিটি কিসমায়োদা লৈবা হোটেল অমদা ইস্লামিষ্ট গনমেনশিংনা লান্দাখিবগা লোয়ননা কেনিয়নশিং, অমেরিকানশিং, বৃটন ১ অমসুং টাজানিয়নশিং য়াওনা পুন্না মীওই ২৬ হাৎখ্রে হায়না থাংজ নুমিত্তা রিজনেল ষ্টেট প্রসিদেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে


থৌদোক অদু কুমজা ২০১২ মফম অদুদগী লালহৌবশিং তকথোকখিবা মতুংদা থোক্লকপা খ্বাইদগী শাথিবা লালহৌবশিংগী এটেক অমনি হায়না লৌনরি। ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা লোকেল লুচিংবশিং অমসুং লোমেকরশিংনা মীফম অমা পাঙথোক্লিবা হোটেল অদুদা কার বোম অমা পোকখায়রকখি অমসুং মদুগী মতুংদা গনমেন অহুম্না হোটেল অদুদা থোমজিন্দুনা এটেক তৌখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

লালহৌবশিংনা অহিংদা চথুরকখিবা এটেক অদু সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লোইশিন্নবা হোৎনবদা পুং ১১ রোম চঙখি হায়না পুলিস ওফিসর মেজর মোহমদ অবদিনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখি। শিখিবশিং অদুগী মনুংদা লাক্লিবা ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্কনৌরিবা রিজনেল মীখলগী প্রসিদেন্সিএল কেন্দিদেট অমা য়াওখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা জর্নেলিষ্ট অনী অমসুং য়ু এন এজেন্সি অমগী ষ্টাফ মেম্বর অমসু য়াওখি হায়না জুব্বালান্দ ষ্টেটকী প্রসিসেন্ট অহমদ মৌহমদ মাদোবিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

য়ু এননা শৌগৎপা হৌজিক লৈরিবা সোমালিয়াগী অশোনবা গভর্নমেন্ট চিংথুনবা হোৎনরিবা অল কায়দাগা মরী লৈনবা ইস্লামিষ্ট গ্রুপ অল সাবাবনা এটেক অদু মখোয়না পাঙথোকখিবনি হায়না খুদক্তা ক্লেম তৌখ্রে হায়রি। রিজনেল প্রসিদেন্ট মাদোবিনা শাথিরবা এটেক অদুদা চাইনিজ সিটিজন ২ য়াওনা মীওই ৫৬ অশোক-অপন নংখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

পুলিসনা মমাংদা এটেক্কর পুন্নমক সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হাৎখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রবনি। জুব্বালান্দগী মিনিষ্টর ওফ প্লান্নিং জষ্ট ও হর্সিনা মশক নাইবা সোমালি কয়ামরুম এটেক অদুদা শিখ্রে হায়না ত্বিটরদা ফোঙদোকখি। ইরাই নুমিৎকী থৌদোক অদুদা শিখিবগীশিংগী জর্নেলিষ্ট ২ য়াওখি হায়বসি জর্নেলিষ্ট গ্রুপ অমনা কনফার্ম তৌখ্রে। কুমজা ২০১১দা মোগাদিসুদগী অল সব্বাব মিলিটেন্টশিং তকথোকখ্রবা মতুংদা গ্রুপ অসি মতম খরা অসিদা মফম অসিদা মথি ফোংলকখিবনি।

# লান হৌরবদি ইরান্না ইজরেলদা শাথিরবা খুৎলায় কয়া শীজিন্নদুনা এটেক তৌবা ঙম্মী



বৈরুট, জুলাই ১৩ (এজেন্সি): করিগুম্বা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা লান অমা শোক্লরকপা তারবদি ইরান্না ইজরেলদা কিনিংঙাই ওইরবা শাথিরবা ফোর্সকা লোয়ননা এটেক তৌবা ঙম্মী হায়না লেবাননগী হেঝবোল্লাহগী লুচিংবনা চেকশিনৱা হায়খ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ইরান্নগী মরক্তা চয়োল কয়ামুক উংখৎনরকখিবা মতুং ইরাই নুমিত্তা হেঝবোল্লাহ মুভমেন্টগী অল- মানর টেলিভিজনগী খুথাংদা ৱা ঙাঙলদুনা সয়েদ হসন নাস্রালাহনা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

করিগুম্বা লান অমা গল্ফতা থোক্লকপা মতমদা ইরান্না ইজরেলবু মপুং ফানা মাঙ তাকহনবা ঙম্মী হায়বসি অমেরিকানশিংনা খঙলবা মতমদা মখোয়না হান্না খল্লম্বা ৱাখলদা অহোংবা শোয়দনা লাক্কনি। লমদম অদুদা লৈরিবা ঐখোয়গী পুন্নমক্কী থৌদাংদি অমেরিকানা ইরানদা লান অমা হৌরকপা থিংনবা হোৎনবা অসিনি হায়না নাস্রালাহনা মখা তাখি।

সাউদি অরাবিয়ানসু য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটস (য়ু এ ঈ)নসু কনফ্লিক্ট অদুদা করিমত্তা য়াওনিংদবনি হায়বা ৱাফমসু মহাক্না থমখি। কুমজা ১৯৭৫-১৯৯০গী লেবননগী সিভিল ৱার মতুংদা লৈহৌবা অমত্তা ঙাইরবা খুৎলায় পায়বা গ্রুপ অমা ওইরিবা হেঝবোল্লাহ অসি য়ু এসনা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমনি হায়রিবনি।

# ন্যু জিলেন্দগী অহানবা সিটিজনশিংদগী নোংমৈ লৈবগী থৌরম মায় পাক্লে : পুলিস



মেলবোর্ন, জুলাই ১৩ (এজেন্সি): মীওই ১৬৯ না ক্রাইষ্টচর্চ সিটিদা অথিংবা থম্বা নোংমৈ ২২৪ ওথোরিটিশিংদা শীন্নখিবগা লোয়ননা ন্যু জিলেন্দগী অহানবা সিটিজনশিংদগী নোংমৈ লৈবগী থৌরম পায় পাক্লে হায়না পুলিসনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ঈংনা চিক্লা লৈরিবা ন্যু জিলেন্দগী ক্রাইষ্টচর্চ সিটিদা লৈবা মোস্ক অনীদা চথুখিবা এটেকশিংদা মীওই ৫১ শিহনখিবগা লোয়ননা অতৈ কয়া অমা অশোক-অপন নংখিবা মতুং থা ৪ কান্নরগা লৈবাক অসিগী সিটিজনশিংনা পায়রিবা অথিংবা থম্বা খুৎলায়শিং গভর্নমেন্টনা মমল পীরগা অমুক হন্দাকপগী থৌরাং অসি পায়খৎলকখিবনি। চহী অসি লোইবা ফাওবদা অসিগুম্বা থৌরম ২৫৮ পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌখিবগী মনুংদা থাংজ নুমিৎকী অসিনা অহানবা ওইরিবনি।

থৌরাং অসিগী মখাদা নৌনা অথিংবা থমখ্রবা সেমি-ওটোমেটিক খুৎলায়শিংগী মপুশিংদা কম্পেসেসন পীবগী ৱাফম য়াওরিবনি। ওথোরিটিদা অথিংবা থম্বা খুৎলায়শিং শীন্নহনবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা খুৎলায় মপুশিংনা উৎখিবা থৌওংশিং পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই হায়না পুলিস ওফিসর মাইক জোন্সনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা নোংমৈ মপু অমনা মহাক্কী সেমি-ওটোমেটিক হন্টিং গনগী কম্পেসেসন ওইনা মহাক্না ন্যু জিলেন্দ দোলর ১৩,০০০ ফংলে হায়না হরাওনা তমখি।

# অফঘানিষ্টান্দা য়ু এস সর্ভিসমেন ১ শিখ্রে

কাবুল, জুলাই ১৩ (এজেন্সি): অফঘানিষ্টানদা থাংজ নুমিত্তা য়ু এস সর্ভিস মেম্বর অমা শিখ্রে হায়না নাটোনা লুচিংবা রিজোল্যুট সপোর্ট মিসনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈখিদ্রবা সর্ভিস মেম্বর অদুগী খ্বাইদগী নক্লবা মরী-মতাশিংদা পাউ পীদ্রিবফাওবা মীশি অদুগী মতাংদা অকুপ্পশিং পীথোকপা য়াদবগী চৎনবী অমা লৈবনা মরম ওইদুনা ষ্টেটমেন্ট অদুদা মখা তাবা অকুপ্পশিং পনখিদবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিংসু ফোঙদোকখিদ্রে। খ্বাইদগী নৌবা মীশি অসিগা লোয়ননা অফঘানিষ্টান্দা কুমজা ২০১৯ দা শিখিবা য়ু এস সর্ভিস মেম্বরশিংগী মশিং য়ামদ্রবদা ৭ শুরে হায়রি।

অফঘান ফোর্সশিংবু ট্রেনিং পীবা, মতেং পাংবা অমসুং পাউতাক পীবগী ওইবা য়ু এসনা লুচিংবা নাটোগী মিসন অমগী শরুক ওইনা অফঘানিষ্টান্দা হৌজিক অয়াম্বনা অমেরিকানশিং ওইদুনা ফোরেন ট্রুপ ২০,০০০ লোম লৈরি। য়ু এস ফোর্স খরনা হার্দলাইন ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্ট গ্রুপশিংগী মায়োক্তা কাউন্টর-টেররিজম ওপরেসনশিং চথুরিবনি।

হৌখিবা চহীদা য়ু এসনা লুচিংবা ফোর্সশিংনা এয়র এটেকশিং হেন্না কন্না চথুখিবগা লোয়ননা সুইসাইদ বোম্মিং এটেকশিংসু হেনগৎখিবনা মরম ওইদুনা অফঘান মীচম ৩,৮০৪ রেকোর্দ ওইবা মওংদা শিখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা ফোঙখিবা রিপোর্ট অমদা পনখ্রবনি। অফঘানিষ্টানগী চহী ১৮ শুরক্লবা লান অদু লোইশিন্নবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রুম্পনা টালিবানগা পোলিটিকেল সেট্টলমেন্ট অমা পুরকপা পাল্লিবনি।

তৌইগুম্বসুং টালিবানগী মায়কৈদগীদি পিছ এগ্রীমেন্ট অমা পুরক্লিঙৈগী মমাংদা লৈবাক অদুদগী মীরৈবাক্কী ট্রুপশিং মপুং ফানা হন্দাকখিনবা দিমান্দ তৌরি।

কুমজা ২০০১ দা য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন্না অফঘানিষ্টান্দা ওপরেসন হৌখিবদগী কুমজা ২০১৮গী ওগষ্ট ফাওবদা কোলিসনগী মীওই ৩,৪৫৮ শিখি হায়বা রিপোর্ট অমা ফোঙখিবদা কোলিসন্দা য়াওরিবা লৈবাকশিংদা অঙকপা ওইখি। কোলিসন্দা য়াওরিবা য়ু এস সর্ভিস মেম্বর কয়া পাকিষ্টান অমসুং য়ুজবেকিষ্টান্দসু শিখ্রবনি। মসিদসু নত্তনা সী আই এগী ওপরেটিভ কয়া অমসু শিখ্রে।

অফঘানিষ্টানগী লান অদুগী অহানবা চহী মঙাগী মনুংদা শিখিবা কোলিসনগী মীওই অয়াম্বা অমেরিকানশিং ওইখি। তৌইগুম্বসুং কুমজা ২০০৬ অমসুং কুমজা ২০১১ মরক্তা শিখিবশিংদদি য়ু কে অমসুং কনাদা য়াওনা অতৈ লৈবাকশিংগী সর্ভিস মেম্বর কয়াসু য়াওখি।

# এস-৪০০ লৈবা পাম্বগী নত্তে তঙাইফদবদগীনি : টর্কিস দিফেন্স মিনিষ্টর

অঙ্কারা, জুলাই ১৩ (এজেন্সি): টর্কিদা বোর্দর ৱাংমদগী চাওনা কিহল্লকপা লৈবনা লৈবাক অসিনা রসিয়ন এস-৪০০ মিসাইল সিষ্টেম লৈরিবসি অপাম্বা খল্লগা লৈবা নত্তে, তৌইগুম্বসুং তঙাইফদবা লৈবদগীনি হায়না টর্কিস দিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়খ্রে।



মহাক্না ৱাফম অসি এস-৪০০ শিং ওপরেস্নেল ওইহনবদা তঙাইফদনা চঙলিবা ইক্বিটমেন্টগী অনীশুবা সিপমেন্ট থাংজ নুমিত্তা রসিয়না টর্কিদা থারকখিবা মতুংদা ফোঙদোকখিবনি। অঙ্কারানা শেল-থুমগী অথিংবা কয়া মায়োক্লরক্কনি হায়না ৱার্নিং তৌরদুনা য়ু এসনা টর্কিদা নাটোগী মেম্বর অমগা রসিয়াগী মরক্তা চথুনরকখিবা অহানবা ওইরিবা খুৎলায় লৈবগী দিল অদুদগী হোংদোক্না কন্না তকশিনখিবনি।

দিফেন্স মিনিষ্টর হুলুসি অকরনা ইরাই নুমিত্তা য়ু এসকী মহাক্কী লেংমান্নবা মার্কইস্পরগা ফোনদা ৱারী শান্নবদা হায়খি মদুদি, ৱাথোক ওইরক্লিবা দিফেন্স সিষ্টেম অদু লৈবনা লৈবাক অসিগী ষ্ট্রেটেজিক পোলিসিদা অহোংবা অমত্ত লাকপা লৈরোই। টর্কিদা চাওনা কিহল্লকপা লৈবদগী লৈবাক অসিনা এস-৪০০ শিং লৈবা হায়বসি তঙাইফদনা তৌদবা য়াদ্রবা অমনি হায়না পল্লদুনা অকরনা হায়খি মদুদি, সিরিয়াগী বোর্দরদগী চথুরকপা অকনবা এটেকশিংগী মায়োক্তা তঙাইফদনা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমা ওইনা টর্কিনা রসিয়ন মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অসি লৈরিবনি। হৌজিকফাওবগী ওইনদি টর্কিদা রসিয়াগী খুৎলায়শিং থুংজিল্লক্লিবা অসিগী মতাংদা য়ু এস গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী ৱাফম অমততা ফোঙদোরক্ত্রি।

# কাটালান লিদর সেপরেটিষ্ট প্রোপেগন্দা চথবগী ৱায়েল মায়োক্লরগনি

মাদ্রিদ, জুলাই ১৩ (এজেন্সি): মীখলগী কেম্পেয়ন মনুংদা পব্লিক ওফিসশিং সেপরেটিষ্ট প্রোপেগন্দা শেমদোকপদা শীজিন্নরোইদবনি হায়বা ওর্দর অমা ইন্দবগীদমক্তা স্পেনগী কাটালোনিয়া রিজনগী লুচিংবা অমা ৱায়েল চথরগনি হায়না রিজনেল কোর্ট অমনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



হৌখিবা এপ্রিল অমসুং মেদা পাঙথোকখিবা নেসনল অমসুং লোকেল ইলেক্সনশিংগী কেম্পেয়ন মনুংদা রিজনলে লিদরশিংনা পব্লিক ওফিসশিংবু সেপরেটিষ্ট প্রোপেগন্দা শন্দাকপদা শীজিন্নরোইদবনি হায়না খঙহনখিবা লৈন-লৈনা কাটালান লিদর ক্বিম টোরানা জেলদা লৈরিবা কাটালান নীংতম ইহৌগী লুচিংবশিং শৌগৎপগী মওংদা গভর্নমেন্ট বিল্ডিংশিংদা মখা তানা য়েলোও রিবনশিং শীজিন্নবা য়াহনখিবনি।

ওর্দর অদু ইন্দবগীদমক্তা মহাক চহী ২ ফাওবা ওফিস পায়হন্দবা য়াই। কোর্টনা মহাকপু ৱায়েল চথবগী ৱাফম অসি সোসল মিদিয়াগী খুৎথাংদা খঙহল্লকখিবনি। অমরোমদা, কাটালান লুচিংবা টোরানা কাটালান পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখিবা রিজোল্যুসন অমগা চান্নদবদগী মহাক্না ওর্দর অদু ইন্দ্রিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

চহী অনীগী মমাংদা কাটালোনিয়াবু স্পেন্দগী তোঙান্না তাহন্নবা হৌখিবা ইহৌদা শরুক য়াখিবা পোলিটিসন অমদি সিভিল লিদর কয়া স্পেনিস ওথোরিটিশিংনা ফাখিবগা লোয়ননা হৌজিক মীওই কয়া অমদি কোর্টশিংগী ৱারেপ ঙাইনরিবনি। কাটালান লিদর কয়া অমা মতমদুদা লৈবাক অসি থাদোক্তুনা য়ুরোপকী মফম কয়াদা চেন্নখি।

কুমজা ২০১৭ দা লৈখিবা কাটালোনিয়াগী গভর্নমেন্টনা লমদম অসিবু স্পেন্দগী তোঙান্না তানবগী পান্দমদা রেফরেন্দম অমা পাঙথোক্তুনা লমদম অসি স্পেনদগী নীংতম্লে হয়না লাউথোকখিবদা স্পেন্দা শাথিরবা পোলিটিকেল ৱাথোক অমা লাকখিবনি। কাটালান সেপরেটিষ্টশিংগী থৌওং অদু ইলিগেল ওই হায়না স্পেনগী কন্সটিট্যুস্নেল কোর্টনা লাউথোকখি।

# নেপালগী ঈশিং ঈচাওদা মীওই ২১ শিরে

কথমন্দু, জুলাই ১৩ (এজেন্সি): নেপালন্দা নুমিৎ কয়ানি নোংলেপ্পুনা চুবদগী মফম কয়াদা ঈশিং ঈচাও অমসুং লেন্দস্লাইদশিং থোক্তুনা য়ামদ্রবদা মীওই ২১ শিখিবগা লোয়ননা অতৈ ১০ থিবা খঙখিদ্রে হায়না পুলিসনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হিমালিয়ান টাইমসনা পুলিসগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, মফম কয়াদা ঈশিং ঈচাও অমসুং লেন্দস্লাইদশিং থোকপদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ১০সু অশোক-অপন নংখিবগা লোয়ননা অতৈ মীওই ৫০ না রেস্ক্যু তৌখি। হন্দক্কী মোন্সুনগী নোংনা অৱা-অনা কয়া থোকহল্লবা লৈবাক অদুগী মফম ২০০ হেনবদা হৌজিক রেস্ক্যু অমসুং রিলিফ টিমশিংনা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েনবগী থবকশিং চথখিবগা লোয়ননা মী কনবগী ওপরেসন্সু চথরি হায়না নেপাল ইমর্জেন্সি ওপরেসন সেন্টরগী চীফ বেদ নিধি খানালনা ইফে ন্যুজদা ফোঙদোকখি।

হৌজিক কেপিটেল কথমন্দুগী মফম কয়া ঈচাওগী ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। কথমন্দুদা ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইদুনা শিখিবশিংগী মনুংদা য়ুম অমগী ৱাল নীংখায়রকপদগী অকায়-অতোয়শিংনা ননশিনখিবা ইমুং অমগী মীওই অহুম য়াওখি। অতৈ মীওই অহুম্না লৈবাক অদুগী নোংপোকথংবা খোতাং দিষ্ট্রিক্টতা লেন্দস্লাইদ থোপদগী শিখি। দিপার্টমেন্ট ওফ হায়দ্রোলোজি এন্দ মিটিওরোলোজিগী স্পোক্সপর্সন অর্চানা শ্রেষ্টথানা ইফে ন্যুজদা নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবদি লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা নোং কন্না চুবা য়াই হায়খি।

নোং লেপ্পুনা কন্না চুবনা মরম ওইদুনা থোক্লিবা ঈচাও অমসুং লেন্দস্লাইদশিং অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুংশিংদা প্রাইম মিনিষ্টর খাদগা প্রদাদ সর্মা ওলিনা অৱাবা ফোঙদোকপগী পাউজেল থাখ্রে হায়রি।

## ফিলিপিন্সতা য়ুহা হাবদা মীওই ২৫ অশোক-অপন নংখ্রে

মানিলা, জুলাই ১৩ (এজেন্সি): ফিলিপিন্সকী সুরিগাও দেল সুর প্রোভিন্সতা থাংজ নুমিত্তা মেগ্নিট্যুদ ৫.৫ কী স্কেলদা য়ুহা হারকখিবদা য়ুম, চর্চ অমসুং বিল্ডিং কয়া নীংখায়বগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই ২৫ অশোক-অপন নংখ্রে।

ফিলিপিন্স ইন্সটিট্যুট ওফ ভোলকোনোলোজি অমসুং সাইজমোলোজিগী মতুং ইন্না য়ুহা হাবা অদু অয়ুক্কী পুং ৪.৪২ দা কারাস্কাল টাউনগী মনাক্তা কিলোমিটর ৫ লুথনা থোকখিবনি।

# বৃটিশ এনভোই মফম থাদোকখিবদা ঐহাক্কী কমেন্টশিংনা ফেক্টর অমা ওইখি


লন্দন, জুলাই ১৩ (এজেন্সি): বৃটেনগী মথংগী প্রাইম মিনিষ্টর খনবগী কন্টেষ্টতা মাঙজিন থানা লৈরিবা বোরিস জোন্সন্না ৱাশিংটন্দা লৈবা বৃটিশ এম্বেসেদর মফম থাদোকখিবা মহাক্না থোকহনখিবা নত্তে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্না পনখিবা ৱাফম খরনা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী সিনিয়র ওইরবা দিপ্লোমেটশিংগী মনুংদা অমা রিজাইন তৌখিবগী ফেক্টর অমা ওইনা খন্নবদি য়াই হায়না ফোঙদোকখ্রে।



য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসন মথৌ নীংথিনা তৌবা ঙমদ্রে হায়বা ৱাফম য়াওবা ইমেলশিং লিক ওইখিবগী মতাংদা দোনাল্দ ট্রুম্পনা ৱাশিংটন্দা লৈবা বৃটিশ এম্বেসেদর কি দারোচপু কন্না চৈ থাংখিবা মতুংদা এনভোই অসিবু কন্ননবা হোৎনখিদে হায়রদুনা হান্নগী লন্দনগী মেয়র অসিবু মশামক্কী পার্টিগী লোমেকরশিং অমসুং ওপোজিসন লোমেকরশিংনা কন্না চৈ থাংখিবনি। য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রুম্পনা ত্বিটরদা অকনবা ক্রিটিসিজম থাগৎলকখিবা মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা বৃটিশ এম্বেসেদর অসি মফম থাদোকখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম তান্নবগী টেলিভিজন্দা শন্দাকখিবা রাইভেল জেরিমি হন্টকা লোয়ননা চথখিবা দিবেট অমদা জোন্সন্না বৃটিশ এনভোই অসিবু শৌগৎপা ৱাৎখিবগী থৌওংনা এনভোই অসিনা মফম থাদোকপগী ফেক্টর অমা ওইখি হায়না দিপ্লোমেটিক ছোর্স অমনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখি। দিবেট অদুগী মতুংদা জোন্সন্না পাউ মীশিংদা এম্বেসেদর অদুবু মহাক্না শৌগৎখিদবগী মরমদি সিভিল সার্ভেন্টশিংবু পোলিটিকেলগী য়েৎনবশিংদা চিংশিন্নিংদবদগীনি হায়না ফোঙদোকখি।

# টাইৱানদা খুৎলায় য়োল্লিবশিং অথিংবা থল্লগনি



বৈজিং, জুলাই ১৩ (এজেন্সি): টাইৱান্দা দোলর বিলিয়ন ২.২গী ওইগদবা টেঙ্কশিং, মিসাইলশিং অমসুং মরী লৈনবা ইক্বিটমেন্ট য়োনবগী দিল অমদা চেন্নবা য়ু এস ফার্মশিংগী মায়োক্তা অথিংবশিং থল্লগনি হায়না চাইনানা ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা হায়খ্রে।

টাইৱান্দা খুৎলায় কয়া য়োনশিনবনা চাইনাগী সোভরেন্টি অমসুং নেসনল সিক্যুরিটিদা শোকহল্লি হায়রদুনা বৈজিংনা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি।

টাইৱান্না হায়জরকপগী মতুং ইন্না য়ু এস দিপার্টমেন্টনা জেনরেল দাইনামিক্স কোপকী এম ১ এ ২ টি অব্রামস টেঙ্ক ১০৮ অমসুং রেথিওন্না শাবা ষ্টিঙ্গর মিসাইল ২৫০ য়াওনা খুৎলায় কয়া ইথৎ অসিদা য়োনবগী ৱাফম এপ্রুভ তৌখ্রে হায়না টেন্টাগোন্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবনি।

খুৎলায়শিং অদু য়োনবনা লমদম অদুগী বেসিক মিলিটরি বেলেন্সতা অহোংবা লাকহনগদব লৈতে হায়না ৱাশিংটন্না ফোঙদোকখ্রবসু য়ু এসকী মরু ওইবা সিক্যুরিটি লম্বা অমা ওইরিবা বৈজিংনদি দিল অদু কেন্সেল তৌনবা দিমান্দ তৌখি। পনবা য়াবদি, হৌখিবা চহী অমরোম অসিদা ৱাশিংটন অমসুং বৈজিংগী মরক্তা লল্লোন ইতিক্কী লান অমসু শোক্লদুনা লাক্লিবনি।

চাইনাবু খোইরাং খোইশাওহনবা খোঙচৎ অমদা টাইৱানগী প্রসিদেন্ট সাই ইং-ৱেন্না করিবিন লৈবাক মরিগী খোঙচৎতা ন্যু য়োর্কতা পল্লিঙৈদা বৈজিংনা খ্বাইদগী নৌবা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোরক্লিবনি। চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমনা হায়, য়ু এসনা টাইৱান্দা খুৎলায় য়োনশিল্লিবসিনা ইন্টরনেসনল লো অমদি ইন্টরনেসনল রিলেসনশিংগা মরী লৈনবা চৎন-কাঙলোন কয়া চাওনা খোঙ্গাওনরি।

ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন গেং সুৱাংনা য়ু এস অমসুং টাইৱানগী মরক্তা খুৎলায় লৈনা-য়োন্নবগী থৌরাং অমা পায়খৎলক্লিবা অসিনা ৱান-চাইনা প্রিন্সিপলদসু চাওনা অকায়বা পী হায়নসু ফোঙদোকখি। প্রিন্সিপল অসিগী মখাদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা বৈজিংবু ওফিসল ওইনা শকখঙলিবনি অমসুং টাইপৈবুনা অসুম্না শকখঙদ্রিবনি। ঐখোয়গী নেসনল ইন্টরেষ্টশিং ঙাক শেননবা টাইৱান্দা খুৎলায় য়োনবদা চেন্নরিবা য়ু এস ইন্টরপ্রাজশিংদা চাইনানা অথিংবা থল্লগনি হায়না গেংনা মখা তাখি।

# ইরানিয়ন টেঙ্করগী ক্রু মেম্বরশিং বেলদা থাদোকখ্রে

লন্দন, জুলাই ১৩ (এজেন্সি): ইরানিয়ন ওইল টেঙ্কর গ্রেস ৱানগী ক্রু মেম্বর মরিমক চার্জ অমত্তা তৌদনা বেলদা থাদোক্লে হায়না রোয়েল গিব্রাল্টর পুলিসনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। রোয়েল গিব্রাল্টর পুলিসনা ফাখিবা গ্রেস ৱানগী ক্রু মেম্বর মরিমক চার্জ অমত্তা তৌদনা বেলদা থাদোক্লে, অদুবু থিজিনবগী থবক্তি মখা তানা চথরি লোয়ননা গ্রেস ৱানসু মখা তানা ফাজিন্দুনা থমখিগনি হায়না বৃটিশ ওভরসিজ টেরিটরি গিব্রাল্টরগী মরু ওইবা সিভিলিয়ন লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সি ওইরিবা রোয়েল গিব্রাল্টর পুলিসনা ত্বিটরদা ফোঙলকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি। ইরানিয়ন টেঙ্কর অদু সিরিয়াদা থাউ পুরম্মী হায়না চিংনবদগী বৃটিশ রোয়েল মরিন্সনা ফাজিনখিবনি।

DELTA Advance School
DAS ꯁꯪꯕꯥꯝ
Kwakeithel Bazar, Imphal
Good News for Class X Compartmental Pass Students only
Lateral Admission
for Class XI(Science & Arts)
Only for 20 Seats First come First Admission Basis
➨Remedial Classes ➨3 months fees Exemption ➨30% Concession on Coaching
HL-B/5502/21/6-20/7

THE LAMJING MEIRA SINDAM SHANG
Pourabi, Imphal East, Manipur
Recognized by BOSEM under G/54/01/466
ꯑꯣꯖꯥ ꯃꯊꯧ/WANTED TEACHERS

| Sl. No. | Name of Post | No. of Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Asst. English Teacher | 2 | B.A/M.A | Negotiable |
| 2. | Asst. Hindi Teacher | 2 | Visharad/ Ratna | -do- |

Interested Candidates are requested to submit a written application along with resume on or before 22 July, 2019 Only short listed candidates will be called for demo and interview.
Sd/- Principal
HL-P/3394/14 Contact No. 9774380983

ꯑꯆꯦꯠꯄ ꯄꯥꯎꯗꯝ/ ৱা ঙাঙবা ঙমদবা, চাবা থকপা য়াদবা, লোক খুবা ঙমদবা, খৌনাও মনুংদা চিক-চিক লাওরগা খৌনাও মনুংদা চাথৎপা ফহনবগী ওজা Kayamuddin বু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা তোন্সিলনা য়াম্না কন্না নাদুনা ৱা ঙাঙবা ঙমদবা, চাবা থকপা য়াদবা, লোক খুবা ঙমদবা, খৌনাও মনুংদা চিক-চিক লাওরগা লৈবা, খৌনাও মনুংদা চাথৎপা, খৌনাও মনুংদা নাই চারগা য়াম্না থুপ্পা, খাঙবা ঙমদবা, খৌনাও মরেং-মরেং চৎপা, খৌনাও মনুংদা হাক্কৎচরগা ৱা ঙাঙবা ঙমদবা, খৌনাও মনুংদা চাথৎলগা ঈ তারকপা, চাক য়োৎথবা ঙমদবা তৌরম্বা অদু ওজা MV. Kayamuddin Phundreimayum ☎ 8575814720 / 8837496469 / 8413870027 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Kayamuddin বু মতম চুপ্পদা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু, মহাকপু পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।
1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am. 2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.
HL-P/3309/14 থাগৎচরিবা : Anoubam Shat pa Singh, Iroisemba